# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 04-09-2024)**

**দিজিপি (এল)ঃ** মনিপুর দি.জি.পি. রাজিব সিনহানা হায়রি-খুৎলায় পায়বশিংনা মীচম মায়ামদা লান্দারকপা মতমদা মথৌ নিংথিনা পাঙথোক্তবা ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল ফোর্সশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎকনি।

ৰাফম অসি দি.জি.পিনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কৌত্রুক অমসুং কদাংবন্দদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা দ্রোন শিজিন্নদুনা বোম পোকখায়হল্লকপগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা ঙরাং মফম অদুদা চৎতুনা য়েংশিনবগী খোঙচৎ অমদা পাউমীশিংদা ফোংদোকখিবনি।

শ্রী রাজিবনা হায়-মিলিটেন্টশিংনা দ্রোন শিজিন্নদুনা বোম পোকখায়হন্দুনা মীশি মীনা থোকহনখিবগী থৌদোক অসি হকচিন্না লৌই। থৌদোক্তুগী মতাংদা এন.এস.জি. য়াওনা কেন্দ্র সরকারগী মকোক থোংবশিংগা ৱারী শান্নরে। থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎনবা এক্সপার্টশিংগী টিম অমা ইম্ফালদা লাক্লগনি।

দ্রোন শিজিন্নদুনা বোম পোকখায়হনবগী থৌদোক অদু নীংথিনা থিজিন্নবগীদমক মীওই মঙানা শাবা কমিতি অমসু শেমখ্রে। দি.জি.পিনা মখা তানা হায়-লান্দারক্লিবা চিংননিংঙাই ওইবা চিংগী শরুকশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চথুবা হৌখ্রে। খুৎশু খুৎলায় কয়াসু ফাগৎপা ঙমলে। থিবা হুন্নবগী থবক অসি মফম পুমমক্তা চথুগনি। কেন্দ্র সরকারগী মায়কৈদগী রাজ্য সরকারদা পীবা য়াবা মতেংশিং পীগনি হায়বগী থাজবসু পীরক্লে। মীয়ামনা সেন্ত্রেল ফোর্স লৌথোকবা দাবী তৌরক্লিব অসিগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা দি.জি.পিনা হায়-রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা ষ্টেট ফোর্স খক্তনা থেংনবা ঙমলোই। অদুনা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং থন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্স অনি পুন্না খুৎশমদুনা থবক তৌমীন্নরি।

**দিংগো (এল) ঃ** সোসিএল ৱেলফিয়র মন্ত্রি-হৈখাম দিংগোনা হায়রি-কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিংগী অনৌবা লাল্লোং ওইনা দ্রেন শিজিন্নদুনা বোম পোকখায়নদুনা মীচম মীয়াম অশি অনা নংহনবগী থৌদোক অসি মালেমগী মীয়ামনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌফম থোকই।

ৱাফম অসি শ্রী দিংগোনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেঞ্জম চিরাংদা দ্রোন শিজিন্নদুনা বোম পোকখায়হনবগী থৌদোক্তা শোকখ্রবা নুপীমচা অমগী য়ুমদা ঙরাং চৎতুনা য়েংশিনবগী খোঙচৎতা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-লৈবাক মনুংগী কাংলুপকী ইরাংদা দ্রোন বোম অমদি স্নাইপ্পরনচিংবা শিজিন্নদুনা লান্দাবগী থৌওং অসি মালেমগী লৈরিবা আইনশিংনা য়াদে। অসিগুম্বা তমথিবা ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা চথরক্লিবা লান অসি মীপুম খুদিংমকা রাজনিতিগী খেৎনবা থমদনা কন্দেম তৌফম থোকই। হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি ঐখোয় খুদিংমক অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা থেংনমীন্নবা চংই।

মহাকা মখা তানা হায়-কুকি মিলিটেন্টশিংগী লান তোইনা মায়োকরিবা সেকমাই কেন্দ্রদা অহেনবা ষ্টেট ফোর্সশিং থমবা হোৎনরি।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোকপা থিংনবা চিং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা লেপ্পা লৈতনা থিবা হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবকশিং চথরি।

সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অমনা কাংপোকপী জিলাগী মার্ক চীং অমসুং হরাউথেলদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা বোম য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-কাংপোকপী জিলাগী মার্ক চীংদা ঙরাং থিবা হুন্বগী থবক চথবদা এ.কে.ফোরতি সভেন রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা ঐচ.কে. থ্রি থ্রি রাইফল অমা, ত্রিপল বেরেল রাইফল অমা, পোইন্ট টু টুগী রাইফল অমা, বোর এক্সন রাইফল অমা, সিঙ্গল বোর বেরেল রাইফল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ

অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু তরা, কাপথোকখ্রবা নোংমৈ তোকিং ৭৫, রেদিও সেট, বুল্লেট প্রুব জেকেটনচিংবা ফাগৎখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাগী হরাউথেলদসু থিবা হুন্দ্বগী থবক চথখি। মদুদা টু ইঞ্চ মোটার বোম অনি ফাগৎখি হায়রি।

**বেঙ্গলঃ** নোংচুপ বেঙ্গোল বিধান সভানা ঙরাং অপ্রাজিতা ৱিমেন এন্দ চাইল্ড (ৱেষ্ট বেঙ্গোল ক্রিমিনেল লোস এমেন্দমেন্ট) বিল-২০২৪ পাস তৌখ্রে।

বিল অসি হৌখিবা আগষ্ট থাদা আর.জি. কর মেদিকেল কলেজতা ডাক্তর নুপী অমা ইজৎ মাঙহল্লবা মতুং তমথিনা হাৎখিবগী থৌদোক মতুংদা বিল অসি পাস তৌখিবনি।

বিল অদুগী খন্ন-নৈনবদা নোংচুপ বেঙ্গোলগী মুখ্য মন্ত্রি-মমতা বেনর্জিনা হায়-বিল অসিদা মরাল লৈবশিং অহকপা চৈরাক পীবা য়াওরি। বিল অসিদা নুপী অঙাংশিংদা মীওৎ মীনৈ চথবশিংগী মথক্তা অহকপা চৈরাক পীনবসু য়াওরি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপদি দ্রৌপদি মুরমুনা মহারাস্ত্রগী লাতুরগী মনুং চন্না লৈবা উরগীলদা বিশ্ব শান্তি বুধ বিহারা ঙসি অয়ুক শঙ্গারগনি।

থৌরম অদুদা রাজ্যপাল-সি.পি. রাধাকৃষ্ণন, মুখ্য মন্ত্রি-একনাথ সিন্ধে, কেন্দ্রগী সোসিএল জষ্টিস রাজ্য মন্ত্রি-রামদাস অথাৱালে অমদি উপ মুখ্য মন্ত্রি-দেবেন্দ্র ফরনাবিচনচিংবা শরুক য়াগনি।

রাস্ত্রপতিনা উদ্যাগীরি কলেজ গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা মহিলা অনন্দ মেলাভাদসু শরুক য়াগনি।

**এৱার্ডঃ** নাগালেন্দগী ৱাখা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ৱাখা সাথি (স্মার্ট এ.আই. বেটচ এসিষ্টটেন্ট ফোর টাইমলি হেলথ এন্দ ইন্টরফেস) ৱাটস এপ চেট বোটতা

২০২৩-২৪ গী ই-গভরনান্সকী নেসনেল এৱার্ড পীবদা গোল্ড এৱার্ড ফংলে।

মহারাস্ত্রগী মুম্বাইদা ঙরাং পাঙথোকখিবা ২৭ শুবা ই-গভরনান্সকী নেসনেল কনফরেন্সতা মনা অসি রাজ্য অদুগী উপ মুখ্য মন্ত্রি-দেবেন্দ্র ফরনাবিচনা পীখিবনি। মনা অসি ই-গভরনান্সকী লমদা নাগালেন্দনন অচৌবা থৌদাং লৌবগীদমক রাজ্য অসিদা অহানবা ওইনা মনা অসি পীরকপনি। এ.আইদা বেটচ তৌবা চেট বোট অসিনা লমদম অদুগী মীওইশিংদা হীরম কয়াগী মরমদা খঙনিংবশিং মতম চংদনা অথুবা মতমদা খঙহনবা ঙম্লগনি।

**ছাতিগরঃ** ছাতিসগরদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা মাওইষ্টকী মীওই ৯ শিরে। থৌদোক অদু বিজাপুর জিলা অমসুং দানতেৱারাগী তায়নবা বাস্তর দিভিজনদা ঙরাং থোকখিবনি।

বাস্তর লমদমগী ঙমখৈ পরিংদা য়াম্লবা মাওইষ্টশিং লৈরে হায়বা অককবা পাউ অমা ফংবদগী সি.আর.পি.এফ. অমসুং দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ব গার্ডকী অপুনবা কাংবু অমনা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। থিবা হুম্বগী থবক চথরিঙৈদা ঙরাং অয়ুক মফম অদুদা লৈবা চিংথক্তগী মাওইষ্টশিংনা নোংমৈ কাপ্লকপদগী সেক্যুরিতিনা হন্দুনা নোংমৈ কাপবদা মীওই ৯ অদ্ লৈখিদবনি। মখোয়দগী খুৎলায় কয়ামরুম ফংলে হায়রি। থৌদোক অদুগী মখা তারকপদা মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চথখি।

মরক অসিদা, বিজাপুর জিলাদা পুলিসনা মাওইষ্ট ১৩ ফারে।

## --নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কুকি মিলিটেন্টশিংনা দ্রোন শিজিন্নদুনা মীশি মীনা নংহনখ্রবা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কৌত্রুক অমসুং কদাংবন্দদা দি.জি.পি. রাজিব সিংহনা ঙরাং চৎতুনা য়েংশিনখিবগী পাউ, দ্রোন এটেক তৌরকখ্রবা মতুংদা রাজ্যপাল-লক্সন প্রসাদনা

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ উন্নখিবা অমদি দ্রোন শিজিন্নদুনা বোমগী লান্দা চত্থরক্লিবা কুকি টেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা সরকারনা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা দাবী তৌদুনা কৈথেল নুপীশিংনা ইরাং হৌরকখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

কুকি মিলিটেন্টশিংগী দ্রোন এটেক থেংননবা এন.এস.জিদা পাউ পীখ্রে, কুকিগী থৌওংশিং থিংনবা অকনবা থবক পায়খৎলি-দি.জি.পি. হায়বা পাউ অসিনা নহারোলগী থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেসতা-দি.জি.পিনা দ্রোন চত্থরকখিবা মফমশিং য়েংশিনখ্রে, সেন্ত্রেল ফোর্স লৌথোকখ্রবদি ষ্টেট ফোর্স খক্তনা লান অসি থেংনবা ঙম্লোই-রাজিব সিংহ, সনা লৈবাক্তা-কুকিশিংগী দ্রোনগী এটেক থেংননবা এন.এস.জি. কম্মান্দো লাক্লগনি-দি.জি.পি, ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-কুকিগী দ্রোনগী এটেক থেংননবা পুলিসনা শেম শারে। এন.এস.জিগী এক্সপার্টশিং লাক্লগনি-দি.জি.পি, পোকফমদা-দ্রোন এটেক থেংননবা খোঙথাং পুন্সা লৌখৎপা হৌরে-দি.জি.পি. হায়না তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরি।

সনা লৈবাক্তা-কুকিনা দ্রোন এটেক তৌরকখ্রবা মতুংদা গভর্ণরনা অমিত সাহগা উন্নখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-মনিপুরগী ইরাং দ্রগ ইকোনোমি অমসুং খৃষ্টান ৱার্ল্ডগা মরী লৈনৈ হায়না অৱাবা থাক্কী ইন্টিলিজেন্স সোর্সশিংনা ফোংদোকখিবা ৱাফম বেন্নর হেদলাইন তৌরি। দ্রোন হেক পাইরকপগা কাপথগদৌরি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মনিপুর ন্যুজতা-এন্টি দ্রোন ষ্ট্রেটেজি য়াৎথোকবা সরকারনা মল্টি এজেন্সি পেনেল শেমখ্রে, কুকিশিংনা সিভিলিয়ানশিংদা দ্রোন এটেক চত্থরকখিবা টেরোরিজমগী থৌওংনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

কৈথেল ফম্বীশিংনা সি.এম. বঙ্গলো তমা খোঙচৎ লাকপদা পুলিসনা থিংখ্রে হায়বা পাউ অমা পোকফমগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

দ্রোন শিজিন্নদুনা বোম থাদরকপা য়েংশিন্নবা অৱাংবা থাক্কী কমিতি শেমখ্রে হায়বা পাউ অমা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-কুকি চিন টেরোরিষ্টকী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎলু হায়না তরাগী চৈশুনা সরকারদা দিমান্দ তৌখিবা ৱাফম পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-কুকি টেরোরিষ্টশিংনা দ্রোন-বোম এটেক চথরকপগী মায়োক্তা য়ু.এন. হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলদা ৱাকৎখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-দ্রোন শিজিন্নদুনা বোম এটেক তৌরকপা টেরোরিজমগী থৌওংনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-নাগাগী টেরিটোরিদা চংশিল্লক্তনবা এন.পি.ওনা চেকশিন ৱাফম ফোংদোক্লি হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-কুকি মিলিটেন্টশিংনা দ্রোন শিজিন্নদুনা বোম থাদদুনা লান দারকপগী থৌরম য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মীয়ামনা মৈরাগী রেল্লি চৎখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।